# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১২৩

- ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম -

**মণিপুরগী** করম্বা মফমদা অচুম্বগী মফম লৈরিবগে? ৰাহংসিগী পাউখুম লৈঙাক্লা চপ চানা মীয়ামদা তরু-তরুনা খঙহনবীফম থোকই। মতম মতমগী ওল্লক্লিবা লৈঙাক্লা মতম মতমগী খুম্বনদি অশেংবা পাউখুম ওইগনি নীংদে। মণিপুরদা মতম অমদা নিংথৌ লৈঙাক লৈরম্বদগী ঙসি ফাওবা হোংলক্লিবা মওংসি পোলিটিক্সপু ললোনফম অমগুম্না চত্থরকপা হায়বসি মীয়াম্না তাক্লরুবা নাইদনা পুম্নমক্লা ইখঙ খঙনরবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা মতম মতমগী লৈঙাক পায়রম্বশিংনা থম্মোয় শেংনা খন্থবীফম থোক্তব্রা? ঙসিগী ২১শুবা কম্প্যুটরগী খম থেংনা চাওখৎলবা মতমসিদা অমনা অমবু হুন্নদুনা, য়ৈথোক-য়ৈথোক্তুনা শাংলবা মীওইবগী পুন্সিবু মতম মাঙহনবসি মীয়াম্না তরাইনা লৌরুবা য়াররোই। মতম অমদা এল পিগী ইচম চম্বা ওজা অমনা হুমদুনা পুরম্বগী মতম অদু হৌজিক লৈত্রে। ইমুং অমগী মনুংদা মপা-মমা-মচাশিং ফাওবা মশা মশাগী হক কঞ্জনবগীদমক মখল মথেলগী ৰাথোক কয়া লৈতবা নত্তে। মরম অদুনা মতম মতমগী লৈঙাকশিংনা থম্মোয় শেংনা অচুম্বগীদমক হোৎনবীফম থোকই।

ঙসিগী চক অসিদা নোংমগী লেপ্তুনা থোক্লিবা ৰাথোকশিং, পেন্দবগী খোল্লাউ, খুঙ্গং-সহরগী মফম খুদিংদা থোরকপা ৰাথোক কয়াবু লেপ্তুনা পাউচেশিংদা য়াওরক্লিবা কয়াশিং অসি ঐখোয়না তরাইনা খন্দোকপা য়াবা মতাং ওইদ্রে। পাউচেশিংদা ইরকপা ৰাফম খুদিংমক লৈঙাক্লা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী খোল্লাউনি খন্দুনা থিজিনবীবা মথৌ তাই। ঙসিগী পাউচেনা মীয়ামদা পীরিবা পাউজেল খুদক-খুদক্তা লৈঙাক্লা থবক ওইনা পায়খৎপীহৌদবদগী ঙসিদি মৈরিক্তগী মৈজাও ওন্থোরক্লে। মসি পুম্নমক নুংশিৎ শিংতনা উনা খক লেংদে। মণিপুরগী চীং-তম অনীমক্তা ঈরাং কয়া তপ্না তপ্না শন্দোরক্লে। মচি মচিদা ঈরাংগী মহুম শানরক্লে। চীং-তম অনীগী মচিন মনাও ওইবগী নুংশিনবা মরী নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লক্লে। ইস্যু মচাদগী অচৌবা ওল্লক্লিবগী মপূং ওইবদি পোলিটিকেল পার্টিশিং অসিনা তন্থীরম্বা খুদোল অমনি হায়বদা লাল্লরোই। মণিপুরদা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট, এন এস সী এনগী ৰাথোক পুম্নমক পোলিটিকেল পার্টিনা মীয়ামদা পীবা খুদোলনি। নাগালেন্দদা তৌজরম্বা ঈরাং মণিপুরদা পুশিল্লকপা চম্না তরাইনা খন্দোকপা য়ারোই।

মণিপুরগী মনুংদা মীয়াম্না খঙনরিবা অমুবা আইন অসি করম্না লাকখিবনো হায়বসি মমাঙথক্কী পুৰারী নৈনবগী তঙাইফদবা লৈতবা নত্তে। এন এস সী এন হায়বা লালহৌবগী ঈরাংসি করিগীদমক কমদৌনা মণিপুরগী তোপ্পা লৈজরিবা লমদমসিদা শন্দোরক্লিবনো হায়বসি ইনিদয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক পুরিবশিংনা মাঙলমচৎকী পুৰারী থম্মোয় শেংনা নুংপান ফাওনা নৈনবীফম থোক্তবরা? করম্বা চহীদা, মতৌ করম্না অমুবা আইন অসি মণিপুরদা কনাগী পোলিটিকেল পার্টিনা পুশিল্লকখিবনো হায়বা নীংশিংমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈতবা নত্তে। অসিগুম্বা তমথীরবা আইন অসিগী মখাদা লমদমসিগী মীচম মীয়াম মাঙহনখিবা ঙসি ফাওবা শাংলবা মতমসি নমশিন্দুনা থম্বীবগী ৰাহন্থোক লৈরিব্রা? অসিগুম্বা মীনুংশি য়াওদবা আইন অসিনা মীচম মীয়ামদা পীরিবা অৱাবশিং ঐখোয়গী লৈঙাক্লা করিগী য়েংদুনা লৈথোকপগে। মতম মতমগী লৈঙাক অদুগী লুচিংবশিংনা মশা মশাগী খুদোংচাবা য়েংদুনা পায়খৎলম্বা কয়ানা ঙসিগী চমজরবা মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। তমথীরবা আইন অসিনা পীরম্বা চৈথেং ফংহৌবশিংনা অৱাবা মায়োক্লহৌরি। ঐগী ঐগী খুদোংচাবা খরগীদমক মীয়ামদা পীরম্বা অৱাবশিংদু খঙনা খঙনা থিংহৌদবদগী মমৈথংদা মৈজাও হৌনা চাকহনবদি অচুম্বগী শকলোন নত্তে।

মপূং ওইনা মৈতৈ পাওরৌদা শারিঙৈদা য়ৈহৌবা হায়বসি ককনীংঙাই লৈতনা চুম্লবা ৰাফম অমনি। মরাল লৈবশিংবু অচুম্বগী ৰায়েলনা খুদক খুদক্তা মাগী মাগী মরালগী চৈরাক পীহৌদবদগী মমৈথংদা মথং মথং মচা পোকথোরক্তুনা থিংবা ঙম্বগী ৰাংমদা লাকহনবদি লৈঙাক্কী থৌশিলনি। ঙসিদগী চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌনা চীংগী লালহৌলূপশিংনা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা মখল মখাগী মীওৎ মীনৈ, মীশি মীনা থোকহনখিবসি ঙসি ফাওবা মতিক চাবা আইনগী ওইবা থবক পায়খৎহৌদবদগী অৱাবা কয়া মথং মথং থোকখিবা মীয়াম্না খঙনরে। মরম অদুনা ঐখোয়গী পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মশা মশাগী নুংঙাইনবা হোৎনবদা মীচম মীয়াম্বু চুঙ্গোই ওইনা শীজিন্নবগী থৌওং তৌবীরোইদবনি। হন্দক ইম্ফাল জিরি লম্বীদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মপূং ফাবা থবক পায়খৎহৌদ্রবদি মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়াম্বু থওইদে হায়বসিময়েক শেংলগনি।

ঙসিগী লৈঙাক খোঙফম চেৎনা লৈবগী মতম ওইরে। মীয়াম্না তাবদা ইরায় লায়না উজরবসু থবক ওইনা পায়খৎপদদি খ্বাইদগী লুবা ওইরি। করিসু লৈতনা লৌনরম্বা এম য়ুগী ভি সীগী ৰাথোক তরাইদে। ভি সীগী ৰাথোক ফাওবা লোইশিনবা ঙমদ্রবা বি জে পিগী লৈঙাক্তা মসিদগী চাউবা আই এল পিগী ৰাথোক, ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী ৰাথোক অমদি ইম্ফাল জিরি লম্বীদা থোকখিবা থৌদোকশিং অসি অমত্তা তরাইনা লৌফম থোক্তে।

নীংশিংমীন্নবা য়াবা ৰাথোক অমনা ইন্দিয়াগী মনুংদা মকা লাম্বা নিংথৌগুম পাল্লম্বা লালু প্রসাদকী কেস ঙসি ফোঙনরক্তুনা মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক ফংনরকপগুম মণিপুরদসু লালহৌবা নহারোলগী নমাদা মরাল লৈতবা কয়া হাৎপদা চেনবা কয়া লোৎপা য়াদনা চোঙথোরকখিগনি। মাগী মাগী মতম শুদবদগী অফবা শাদুনা লেনথোকপনি। লোক্তাক শেংবগী কেস নমশিন্দুনা থম্নরিবগুম মীচম কয়াগী পুন্সিবু করেম্নবগী দষা অচুম্বগী মমাঙদা কৈদৌনুংদা খক লোৎপা য়াররোই। ঙসিগী বি জে পিগী লৈঙাক মপূং ফানা, টর্ম শুনা চৎপা-চৎতবা হায়বসি অচুম্বনা নোংমা শোয়দনা জয় তৌরক্কনি। মাগী মাগী মতমদা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী য়াকা য়েংনা থবক তৌদ্রবদি মীয়ামগী থম্মোয়দা ফুমদুনা থম্নরিবা পেন্নদবা কয়াসি মথি ফোংনরক্কনি। মপানথোংদা ফজবা মানবা ৰারক্কী তয়াল অঙাঙবা কয়াম কুইনা লোৎপা য়াগনি। হন্দক্কী নাগাগী ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট, এন এস সী এনগী নুং-পানগী পোলিসি মণিপুর মীয়াম্না মপান থোক্লা খঙনরক্লে। মণিপুরগী ৰাথোক মালেমদা তোপ তোপ্পা মশক অমদি শোয়দনা ওইরগনি। মরম অদুনা ঙসিগী লৈঙাক্লা থম্মোয় শেংনা অচুম্বা ফিরেপকীদমক কৎথোকপীরম্মু। কত্থোকপগী মীংচৎ নেতা ইরাবতকী পুন্সিবু ফিদম্নফম ওইহৌবগুম ২১শুবা চহী চা অসিদা মীংচৎ উরোং থম্বীরম্মু।

কোংগ্রেস লৈঙাক মতমদা থোকখিবা চাক তাঙবগী তমথীরবা ৰাথোক, শাশিন্নবা মীহাৎ অমদি তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিং পুৰারীগী লমায়দগী কৈদৌনুংদা মুৎলরোই। মসি নত্তবা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা থম্বা য়াবা কাউঙমলরোইদবা ইরমদম কন্নবা মণিপুরগী শক্তম কায়হন্দবা হায়বা খোঙফমদা মশা-মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা মীয়ামগীদমক কৎথোক্তুনা, মীয়ামগীদমক লেপ্পা মীশক ওইবীদুনা ঈরাংনা থল্লবা, পেন্নদবগী খোল্লাউ লৈতবা, ঈং-তপ্পা মণিপুর অমগী য়ূম্ফম থোনবীরম্মু। শিরগা মরূনা য়ুবা হায়বা ৰাফম থম্বীরগনু। অপূনবগী জয়, অপূনবগী পাঙ্গলনা মায় পাকই হায়বদু ময়েক শেংনা লৈঙাক্লা উৎথোকপীদুনা মীপূম খুদিংমক্লা কাউবা ঙমদনবা থম্বীরম্মু। ঐখোয় খুদিংমক পুল্লসি, অপূনবগী লুচিংবা ওইবিরম্মু। ।◂◂

# ঐখোয় চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চৎসি

থৌনাওজম মনোরঞ্জন

**ইন্দিয়াগী** অতোপ্পা লমশিংদা এয়র পোল্যুসন অমসুং নোইজ পোল্যুসন থোকহল্লি হায়দুনা দিজল ওটো থৌবা থিংবা কুইরে। লম খরদদি দিজল ওটোদি লায়রদনা চহী য়াল্লবা দিজল গাড়ী ফাওবা থৌনা থিংখ্রবনি। ঙসি ঙসিমক ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মফমশিংদা চেল্লিবা ওটোশিং অসি পেট্রোল অমসুং গ্যাসনা চেলহনবা ওটো ঙাক্তনি। ঐখোয়না মণিপুরগী ৰাংমদা থেংনজরকপদদি ওটোশিংসি অমনা মিটর পানবা অদুগা অমনা মিটর পান্দবনি। মিটর পান্দবা ওটোশিংনা খুল্লক্তগী ম্যেন রোদ ফাওবা পেসেঞ্জর পুথোরক্কনি, ম্যেন রোদতা পেসেঞ্জর পুদুনা গাড়ী থৌরুবা য়ারোই। ফাইন থিগনি শাংনা তোংগেরা, খোঙকাপ মঙা/তরা তোংগেরা অকক্লবা অতোংমল লুপা ৫/১০ ওইগনি। মিটর পানবা ওটোশিংনা লমদুগী মনুং অমসুং লমদুগী ৰাংমদা পেসেঞ্জর পুদুনা চৎপদা অথিংবা লৈতে অদুগা অতোংমলদি মিটরগী মতুং ইন্না লৌই। টাটা মেজিকশিংনা প্রোপর সিটিদগী খরা হাইথখিবা মফমশিং কিলোমিটর ১০/১৫ লাপ্পা মফমশিংদা পেসেঞ্জর পুথোক পুশিন তৌগনি অদুগা মখোয়গী তোঙানবা অতোংমলগী রেট লৈগনি। মপানগী মফমশিংদা লন্নাই বস অমসুং লৈঙাক্কী বস অনীমক চেল্লি। ওর্দিনরি বস, লো ফ্লোর বসতা, এয়র কন্দিসন বস অমসুং এয়র কন্দিসন নত্তবা বস, মখল খুদিংগী পেসেঞ্জর বস চেল্লি। মসিগী মথক্তা নন এ সী অমসুং এ সীগী টেক্সি মরাং কায়না চেল্লি। রিক্সো তোংনীংবা কাঙবুনা রিক্সো তোংগনি, ওটো তোংনীংবা কাঙবুনা ওটো তোংগনি, বস তোংনীংবা কাঙবুনা বস তোংগনি, মেত্রো ত্রেন তোংনীংবা কাঙবুনা মেত্রো ত্রেন তোংগনি, লোকল ত্রেন তোংনীংবা কাঙবুনা লোকল ত্রেন তোংগনি। থমজনীংলিবা ৰাফমদি অতপ্পদগী-অয়াঙবদগী, অহোঙবদগী-অতাঙবদগী মখল খুদিংমক্কী চৎথোক চৎশিনগী পান্থে মপান লমদা ফংই হায়বা ৰাফম অসিনি।

মপান লমগী ত্রাফিক পুলিসতি মতিক মগুণ য়াম্না লৈ। ত্রাফিক সিগনেল পোইন্ট নাকন্দা, লম্বীগী মতাইদা, উরুমদা, মোটোর বাইক মনাক্তা নান্না দ্রেশ শেৎলগা য়াম্না লেম্না লেপ্তুনা লৈ। করিগুম্বদা কনাগুম্বা অমনা ত্রাফিক্কী সিগনেল থুগাইরবা নৎত্রগা গাড়ীশিংনা সিগনেল পোইন্টতা লেপফম থোকপা মফমদগী শুট অমা হেঞ্জিল্লক্লবা কেমেরা পুথোরক্লগা চৎন-কাঙলোন থুগাইরিবা গাড়ী অদু ৰা-লান অমত্তা ঙাঙনদনা ফোটো নমখিনি। লম্বীদা কনা অমত্তদা অয়েৎপা পীরোই। ফোটো নমখ্রে হায়বসিসু অরানবা তৌরুরিবা মীদুসু অদুম খঙজে। করিগুম্বদা অরানবা তৌরুরিবা মীশক অদুনা মফম অদুবু কোল্লিবা পুলিস ষ্টেসন্দা চৎতুনা থিফম থোকপা ফাইন থিরুদ্রবদি গাড়ী অদু ফাগৎখিগনি। লোয়ন-লোয়ননা আইনগী ওইবা তৌফম থোকপা থবক পুলিসনা তৌরক্কনি। ঐখোয়গীসিদদি ৰাবু ঙাঙনবনে, খূৎপু শোক্লবনে, মহা ওবদ্রোপ অমনি। অউবা ঐখোয়গী মীৎ মরীসে য়াম্না নাই। মণিপুরদা পেসেঞ্জর পুদুনা চেল্লিবা ওটো অমসুং টাটা মেজিকশিংসি ওল মণিপুরগী পার্মিট পীবদি লায়রদনা ওল ইন্দিয়াগী পার্মিট পীবা মাল্লি। খুদম ওইনা দিজল ওটোনা চুড়াচান্দপুরদগী পেসেঞ্জর পুরগা ইম্ফাল য়ৌরক্লে। ঙসি ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমসুং মসিগী অকোয়বা ৰাহেংবম লৈকায়গী লম্বীদা, শগোলবন্দ মচিন্দা, উরিপোক কাংচুপ রোদতা, নাগামপাল লম্বীদা, রিমস রোদতা অমসুং বি টি রোদতা ত্রাফিক্কী অৱাবা মায়োক্লরিবসি ত্রাফিক পুলিসনা, পুলিসনা, ভেহিকল দিপার্টমেন্টনা পুকচেল শেংনা মথৌ তৌদবদগী, মণিপুরগী অয়াম্বা মীয়াম্না ৰাখল তাদবদগী অমসুং মরুওইনা মণিপুরগী ওটোরিক্সো থৌবিরিবা ইচিন-ইনাওশিংনা চৎন-কাঙলোন ইন্না গাড়ী থৌবীদবদগী থোকপনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ভেহিকল দিপার্টমেন্টনা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিংগী পার্মিট পীবদা প্লান তৌরগা পুকচেল শেংনা মথৌ তৌখিদবা অমসুং শেঞ্জা থুমজা তৌখিবননি। হৌজিক্কীদি খঙজদ্রে, মমাঙঙৈদা মণিপুরদা দ্রাইভিং লাইসেন্স পীবদা দ্রাইভিং লাইসেন্স পায়গদৌরিবা মীওই অদুগী ফোটো, পার্টিকুলরস অমসুং পৈশা পীখ্রবদি চহী শুবা-শুদবা, গাড়ী থৌবা হৈবা-হৈতবা লাইসেন্স অদুম ফংলে। মখোঙ অনী পানবা গাড়ী ফাওবা নিংথি নুংঙাইনা থৌবা হৈতবা মীওই অমদা হেভি ভেহিকল থৌবা হৈরে হায়না লাইসেন্স পীগনি। মসিদগী হেন্না ঙকপসি মালেম অসিদা লৈরমখিগদ্রা? গাড়ী থৌরুরো অদুগা গাড়ীনা মী তকখায়রগা হাৎলুরো হায়বনি। মসিগী মথক্তা অয়াম্বা মমা-মপাশিংনা চহী শুদ্রিবা মচাশিংগী দ্রাইভিং লাইসেন্স পৈশা পীজরগা লৌথোকপা অসিনসু লম্বীদা খুদোংথীবা থোক্লবগী মরম অমসু ওই।



ত্রাফিক পুলিস অমসুং পুলিস খরনা চঙবা য়াদে অমসুং খাম্বা য়াদে হায়বা মফমদা পৈশা লৌরগা গাড়ী চঙহনবা অমসুং খামহনবা, গাড়ী অচৌবশিংদা পোৎ হাপকৎপা অমসুং গাড়ীশিংদগী পোৎ থাংথবগী অকক্লবা মতম থমদবা, ত্রাফিক পুলিস অমসুং পুলিস খরনা পুকচেল শেংনা মথৌ তৌদে হায়বসিদি মীয়াম্না খঙনরবা ৰাফমনি। খুদম অমত্তা পীজগে, ত্রাফিক পুলিসকী এ/এফ থাবা মিনি টাটা অমগা দি আই টাটা অমগা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোয়বদা লম্বীদা পোৎ থাংথবা অমসুং হাপকৎপা গাড়ী অচৌবশিংগী মনাক্তা খাম্লগা ত্রাফিক পুলিসশিংগা গাড়ীগী মীশিংগা খূৎ শোক্লবা মীয়াম্না ইতৎ-তত্তনা উবিরমগনি। মীচম মীয়াম ঐখোয়সু পুকচেল শেংদে। অয়াম্বা মণিপুরগী মীয়াম্না গাড়ী চঙবা য়াদে অমসুং খাম্বা য়াদে হায়বা মফমশিংদা পৈশা পীরগা চঙই অমসুং খাম্মী। মসিগী মথক্তা গাড়ী অচৌবা অমসুং মচা তোংবা কাঙবুনা গাড়ীদগী কুমথদনা লম্বীদা পোৎ লৈবনসু লম্বী চিলহন্নবগী মরম অমসু ওই।

নোং খজিক্তং হেক চুবগা উরিপোক কাংচুপ রোদতা, তৌরাংবম লৈরক মচিন্দা অমসুং অনৌবা কোস্মো দেন্টেল ক্লিনিক হেক মমাঙদা ঈশিংনা লম্বী তঙ্খাই হেন্না থুমজিল্লি। হায়রিবা মফম অনী অসিদা ফুটপাথ লৈতবনা মরম ওইদুনা সাইদ চুম্না অমসুং সাইদ লান্না খোঙনা চৎপা মীশিং য়াম্না খুদোংথিনীংঙাই ওইরে। মফম অনী অসিদা নত্তনা উরিপোক কাংচুপ রোদতা ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লবকী খাদা অমসুং চৈরাপ কোর্ট মমাঙদা ওটো পার্কিং ওইরিবা মফম অনী অসিদা ওটোশিংনা লম্বী ময়ায়দগী হেঞ্জিন্না চৎন-কাঙলোন লান্না ওটো খামজিনবা, মনীং হন্দাক-হঞ্জিন অমসুং মমায় লৈথোক-লৈশিন তৌবা লোয়ন-লোয়ননা ফুটপাথ লৈতবনা মরম ওইদুনা লম্বী মতেক অসিদা চৎন-কাঙলোন চুম্না খোঙনা চৎচবা মীওইশিং খুদোংথীবা নংগদৌরে। মসিগী মথক্তা উরিপোক কাংচুপ রোদতা ফ্লাই ওভর ব্রিদজ মখোঙদগী হৌরগা নাগামপাল লম্বীগা কাংচুপ রোদকা উনফম ফাওবগী লম্বী মশাং অসিদা ফ্লাই ওভর ব্রিদজগী খা অমসুং অৱাংদা মণিপুরগী গাড়ী অচৌবা তোংবীরিবা ৰাখল তাদবা, শেঞ্জাও পায়বা-পায়বীশিংনা চৎন-কাঙলোন লান্না লম্বী ময়ায় হেঞ্জিন্না মতম কুইনা গাড়ী খামজিন্দুনা থম্বনা কাঙলোন চুম্না খোঙনা চৎচবা মীওইশিং তুংদগী লাকপা গাড়ীনা থোমদুনা অশি-অনা য়াওনগদৌরে। খুদোংথীবা থোক্তুনা মীশি মীনা য়াওনদ্রিঙৈদা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং পায়খৎপীয়ু।

ইম্ফাল ময়োলদা মরুওইনা লম্বী চিলহল্লিবসি গাড়ী থৌবিরিবা অমসুং থৌবিরিবীশিংনা মফম চানা গাড়ী খাম্বীদবা অমসুং মশীং য়াল্লবা দিজল ওটো থৌবিরিবা ইচিন ইনাওশিংনা কাঙলোন চুম্না ওটো থৌবিদবদগীনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরুওইনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুং অমসুং মসিগী অকোয়বদা লম্বী চিল্লিবসি চিলহল্লোইসি হায়রবদি ওটোশিংগী পার্কিংশিংসি হৌজিক হৌজিক পার্কিং ওইরিবা মফমশিং অসিদগী হোংদোকহনখিবগী মথৌ তাই। খুদম ওইনা নাগামপাল লম্বীদা কংজাবী মচিন্দগী কষ্টুরি থোং মনাক ফাওবা ওটো পার্কিং ওইরিবা, কাংচুপ রোদকী চৈরাপ কোর্ট মমাঙদা অমসুং ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লবকী শঙলেন নাকন্দা ওটো পার্কিং ওইরিবা, ৰাহেংবম লৈকায়দা, খ্বাইরম্বন্দ থোং হেক মনাক্তা পার্কিং ওইরিবা অমসুং শগোলবন্দ লম্বীদা, আরিয়ন থিএটরগী মায়োক্লবদা ওটো পার্কিং ওইহল্লিবসি মফম চাবা মফম য়েংলগা হোংদোকহনবীয়ু। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা লম্বী চিলহল্লিবসিদি পাওনা কৈথেল, থাঙ্গাল কৈথেল অমসুং বি টি রোদতা ওটো চঙহন্দ্রগা লোইরে, চঙহল্লবসু মতম কুইনা খামহন্দ্রগা লোইরে। পোৎ থাংবসু, রিক্সো থৌবসু অমসুং থেলাগাড়ী ইনবসু হিংহনসি অমসুং লম্বী চিনবসু ফহনসি হায়রবদি হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ওটো পার্কিংশিংসি মফম চাবা মফম য়েংলগা হোংদোকখিবা তঙাইফদ্রে।

অরোইবা ওইনা হায়জনীংবদি, ঙসি মণিপুরদা ভেহিকল দিপার্টমেন্টনা প্লান তৌরগা চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিং পার্মিট পীদবনা পেসেঞ্জর পুবা লন্নাই বস মপূশিংগী করবার মায় পাকহন্দ্রে। বসকী, থেলাগাড়ীগী, রিক্সোগী অমসুং পোৎ থাংবগী মথৌ লোইনমক দিজল ওটোনা তৌদুনা লৈরে। ঐখোয়গী ঐখক্তা হিংগে হায়বগী ৰাখল্লোন অসি থাদোকসি। বস মপূসু, টাটা মেজিক মপূসু, ওটো মপূসু, থেলাগাড়ী ইনবসু, রিক্সো থৌবসু অমসুং পোৎ থাংবসু লোয়নমক হিংহনসি হায়রবদি মণিপুরগী ভেহিকল দিপার্টমেন্টনা পার্মিট পীবগী থৌওং অসি খরা হোংদোকসি। ◂◂

# ঐনা নঙ ওইরম্লবা

অমরজিৎ খাঙেম্বম

**পুপু** হেক্তা হায়রগে মীয়াম্না অসুম্না হায়নবনিনা, পুপু ইরাবতনা নীংতম্বা মাঙখিদনবা, কঞ্জনবা অমদি নেতাজি সুভাসচন্দ্রনা নীংতম্বা তানবগীদমক অন্দরগ্রাউন্দ তাখি হায়বদো মরৈবাক মরমদম মজাতিগীদমক্তা নৎত্রা। মখোয়বু আইন্না য়াদবা মীনি হায়না লৈঙাক্লা ফানবা কোয়তান তান্নখি হায়। অদুগা ঙসিগী লৈঙাক অসিনদি মখোয়বু নীংশিংবগী চহী খুদিংগী থৌরম পাঙথোক্লি। মথৌনা ফবা, মরিংজেল লৈবা, অখাঙ কনবা ইপা-ইপূ কয়া অমা মখোয়বু লৈবাক্লা শিংথাদুনা লৈরি। হকচাং পোলাংনা মালেম অসি থাদোক্তুনা লৈরোন চনখ্রবসু মখোয়গী মীংখৈ শক শোন্দুনা লৈরি। হিংলিবা মী অমগা পাঞ্জকনি। কয়াদা মমল য়াল্লবা, কয়াদা মরাইবক ফরবা। মখোয়না হোৎনদুনা থম্বীরম্বা কয়া অসিনা ঙসি ঐখোয়না নুংঙাইনা লৈবা ফংলিবনি। মখোয়না থম্বীরম্বা লন-থুম, পুক্কে-লনগৈ ময়াম অসি ঐখোয়না কায়থোক-কায়থোক্তুনা অদুম চাদুনা লৈরদ্রা? অসুম-অসুম কায়রকপনা ময়েং তারক্তুনা ঙসিদি ঐখোয় ইশানা ইশাগী লৈফম ফাওবা লৈরক্ত্রে। ঐখোয়সি কনানো, করিনো হায়বা ইশাগী শক্তম ফাওবা ঙাল্লম্বা থাউমৈনা অসুম-অসুম মুখরকপগুম মমি শাল্লে। য়ুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ, থাঙ্গাল জেনরেল মরৈবাক্কীদমক থৱায় ফাওবা থাদোক্তুনা লান তৌরুবৈ বৃটিশ লৈঙাক্লা মীয়াম মমাঙদা পুথোল্লুগা থৌরি য়াল্লগা হাৎখিবনি। মখোয়সু মমা লৈবাক্কী খন্দুনা করিসু থৱায় পাম্মুখিদে। হৌজিক ঐখোয়গী লমদম অসিদা মখোয়গুম্বা থৌনা ফবা, মরিংজেল লৈবা, পুকচেল চাউবা, ওইজবা থাদোকপা লুচিংবা অমা থোক্লকপগী মতম ওইরে।

মসিদা থোক্লকপা লুচিংবা অদুনি তুংগী লাক্কদৌরিবা মীরোলনা লাইওইখ্রবা ইপা-ইপূশিং অদুগুম্না ইকায়খুম্নদুনা কোলোই মীংলেন শক শোন্নদুনা লাইগুম লাৎনগদৌরিবনি। নিংথৌ খুভম মুন্নবগী, মপা-মচা, মচিন-মনাও ফাওবা হাৎতোক্লখিবগী ৰারী লৈরি। নিংথৌ খুভম পাম্বদগী মপা-মচা, মচিন-মনাওগী মরক্তা অতোপ্পা লৈবাক্কী মতেং লৌবা ফাওবা য়াওনখি। অদুদগী অসুম লাকপা পরিং ওইদুনা ঙসি ঙসিমকসু লমদম অসিগী নিংথৌ ওইনবা হোৎনবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মতেং লৌনরি। ফরেনে মদুসু হোৎনরসনু, তৌবদদি চহী লিশীং কয়াগী মমাঙদগী ইপা-ইপূশিং অদুনা থম্বীরম্বা ঐখোয়গী শক্তম কায়রক্লিবা অসিদি করিমত্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা হায়দবনা করিগী। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঐখোয়গী ইপা-ইপূশিং অদুনা ঙাক্তুনা থম্বীরম্বা কবো ভেল্লি কুমজা ১৯৫৩দা বর্ম্মাদা পীথোকখি খঙলবা ফাওবা মসিবু হঞ্জিন্নবা হোৎনদ্রিবা করিগী। মসিবু হঞ্জিন্নবা হোৎনবগী থৌরাং তৌদ্রিবনা করিগী। য়েলহৌমীগী ৰাখল অমা লৈজে, অমেরিকাদা লৈরসু ইপানা থম্বীরম্বা লম মচেৎ খরসি কায়থোকপা তৌনদে ইপা-ইপূগী পোক্লফমনি খন্দুনা। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চৎমিন্নরিবসি লমদম অসিগী লৈঙাক নৎত্রা।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লম খরা পীথোকখি, খরা অমসু অসুম-অসুম মাঙলকপা য়াবগী অকিবা ওইরক্লিবসি ইশাগী লম য়োল্লগা ইন্দিয়াগা কয়াম কুইনা নুংশিনবা য়াদৌরি। মসিদা মাঙজরিবসি মণিপুরখক্তনি। লমদম অসিগী মীয়াম্না পাল্লিবা খুদিংমক ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্নসু অয়াবা পীবা ঙাক্তনি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা থবক তৌরুবসু নত্তে। লমদম অসিগী নচা-নরোই কয়া অমা মীশি-মীনা, অশোক-অপন কয়া অমা নংখ্রে। মসিফাওবা অপাম্বা অমত্তা পীবিদ্রি, লমদম অসিগী লুচিংবশিংসু করিমত্তা মোং-হাদবা ওইনা উই। মতম অমগী লাইওইখ্রবা ইপা-ইপূশিং অদুগী থৌনা লিংজেল চেনবা লুচিংবা অমত্তা লমদম অসিদা লৈত্রবরা?

লমদম অসিগী লুচিংবশিং অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক অনীগী মফমদা হংজনীংলিবা ৰাফমদি (ক) ঐখোয় ইন্দিয়াদা পুল্লিবা ষ্টেট অমনি। ষ্টেট অসিদা য়ূমথংনবনা লম লৌশিল্লক্লিবা অসিগী নাখৈ শেংবা অমা মীয়ামদা থম্বীদ্রিবা লোইননা ইন্টরনেসনল বাউন্দরি অমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা করি মীৎয়েং থম্বীবগে? (বি) ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরিবা মণিপুর অসিদা চহী লিশীং কয়াগী মমাঙদগী খুন্দাদুনা লাক্লিবা য়েলহৌমী মণিপুরীশিং মুৎখিদনবা আই এল পি এস বিল অমা শেমদুনা এক্ট অমতং থম্বীয়ু হায়বদা সেন্তর লৈঙাক্লা য়ানীংদ্রিবা করিগীনো? (সী) এন এস সী এন (আই-এম) না পিকখ্রবা মণিপুর অসিবু মচেৎ মচেৎ থুগাইরগা মখোয়গী তোঙানবা লৈঙাক অমা শেমগে হায়রকপদা মদু য়াদে হায়না লাউথোকপা ঙমদনা মনুংদা মখল কয়াগী থৌশিল চথুদুনা লৈবসিনা করিগীনো? (দি) ইন্দিয়াদা পুল্লগা দেমোক্রেসি চৎমিন্নদুনা লৈরিবা লমদম অসিদা লমদম অসিগী মীয়ামগী অপাম্বা-অনীংবা অমত্তা ফোঙদোকপীদ্রিবা করিগীনো? (ঈ) হৌখিবা সেন্তরগী লৈঙাক (য়ু পি এ) অমদি লমদম অসিগী হৌখিবা লৈঙাক (কোংগ্রেস) অমদি সেন্তরগী হৌজিক ওইরিবা লৈঙাক (এন দি এ), লমদম অসিগী হৌজিক ওইরিবা বি জে পি লৈঙাক্লা লমদম অসিগী মীয়াম্না পামজখিবা কুইরবা অমদি হৌজিক্কী ইস্যুশিং লোইশিনখিবা লৈখ্রবরা? অসিগুম্বা কয়া অসিনা ঙসি লমদম অসিগী মীয়াম অসিনা ঐখোয় ইন্দিয়াগী লৈঙাক মখাদা লৈনীংদ্রে, ঐখোয় ইশাগী লৈজরম্বা নীংতম্বা অদুদা হঞ্জিনজরগে হায়রকপা হায়বসি মশানা তারবা ৰাফমদুনি লাক্লিবা। তাঞ্জা অসি য়ৌরবা ফাওবা লমদম অসিগী লুচিংবশিং আইনগী মায়োক্তা মীরোৎনি হায়না লাউথোক্লসু লমদম অসিগী নীংখা তম্বা অদু হঞ্জিনলগে হায়না চিনবাল অসি সুংকা কাথোকনীংদ্রিবা করিগী। লৈপাক মাঙখ্রবা, য়েলহৌমী মুৎখ্রবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থাদরক্লিবা চাওখৎ থৌরাংগী শেনফম খরদু মীকাদুনা লৈরুবনা তুংদা করি ওইরক্কনি হায়বা অদুসু অশানবা মীৎয়েং অমা য়েংবিয়ু। হৌজিক মখোয়না পীরিবা ফম অদু পুন্সি চুপ্পগী ওইগদবসু নত্তে, শুপ্নখক্কী মতম খরগীনি। লুচিংবা অমগী পৱারদা মহারাজ বোধচন্দ্রনা নিংথৌ ওইনা পাল্লিঙৈদা কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা শিলোংদা চৎতুনা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনবগী মর্জর এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবদু লৈবাক মীয়াম অমদি মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং ফাওবা য়াওখিদে অদু ওইজরসু হৌজিক ফাওবা অদুম ইন্দিয়াদা তিন্দুনা লৈরিসিনি। মণিপুরগী পুৰারীগী লমায়দা ইদুনা লৈরিবসিনা খুদম চাংদমনি। অদুগী মতুং কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংসু ইন্দিয়াদা মর্জ তৌরে হায়না খূৎয়েক পীখি। নিংথৌ অমনবু অয়াবা পীখ্রবদি মীচম মীয়ামগীদি থোইদোক্তে। অদুনা মীয়াম্না পাম্বা লৈবাক অসিগী ইস্যুশিং অসি মণিপুরগী নিংথৌ অমা ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসিদি পামদ্রে, ঐখোয় নখোয়গা পুল্লরোই হায়না থৌনা লৈনা লাউথোকপা ঙম্বা তারগদি থৌনা ফবা মীয়ামগী খনবা মহাক অদুগীদমক্তা লৈবাক মীয়াম্না তুংইন্দুনা লাকপদি শোয়দ্রবনি পুপু। মণিপুরগী পুৰারীগী অনৌবা লমায় অমদা কোক্লরোইদবা মচুনা ইদুনা লৈহৌবগী মথক্তা তুংগী মীরোলনা শক-শোন্দুনা মণিপুরগী পুৰারীদা লৈহৌরগনি। য়ু আর দি গ্রেটেষ্ট লীদর ইন দি কম্মিং হিষ্টোরি ওফ মণিপুর। ঐদি ওন্থোক্লা পামজখ্রে পুপু। ◂◂